# অরুনাচল প্রদেশতা ইন্দিয়ন আর্মিগী হেলিকোপ্টর অমা কায়বদা পাইলোট অনী শিখ্রে

ইটানগর/গুৱাহাটি, মার্চ ১৫ (এজেন্সি):

ওপরেস্নেল সোর্টি অমা পাঙথোক্তুনা পাইখিবা ইন্দিয়ন আর্মি এভিয়েসন চিতা হেলিকোপ্টর অমা শগোলশেল নুমিত্তা ইন্দো-চাইনা বোর্দর পরিংগী অরুনাচল প্রদেশকী বোন্দিলাগা নক্লনা মন্দালাদা কায়খিবগী থৌদোক্তা থীবা ফঙলকখিদ্রবা পাইলোট অনী শিরে হায়বসি ওফিসল অমনা কনফার্ম তৌখ্রে।

এক্সিদেন্ট অদুদা হেলিকোপ্টর অদুগী পাইলোট অমসুং কো-পাইলোট অনীগী পুন্সি লোমখ্রে হায়না আর্মি পি আর ও লেফটনেন্ট কর্নেল মহেন্দ্র রাৱটনা ফোঙদোকখি।

হেলিকোপ্টর কায়বদা লৈখিদ্রবা পাইলোট অমদি কো-পাইলোট অদু লেফটনেন্ট কর্নেল ভি বি বি রেদ্দি অমসুং মেজর জায়ন এনি হায়বসি খঙবা ঙমখ্রে। এক্সিদেন্ট



অদু অরুনাচল প্রদেশকী বোন্দিলাগী নোংচুপতা লৈবা মন্দলাগা নক্লনা থোকখিবনি।

ক্রাস অদুগী পাউ হেক ফঙবগা ইন্দিয়ন আর্মি, এস এস বি অমসুং আই টি বি পিগী ছর্স পার্টি মঙা খুদক্তা দিপ্লোই তৌখি। ছর্স পার্টিশিংনা খুদক্তা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থীবা হৌখিবগা লোয়ননা এয়রক্রাফট অদুগী অকায়বা শরুকশিং অদু মন্দলাগী নোংপোকলোমদা লৈবা বাংলাজাব ভিলেজকা নক্লবা মফম অমদা লৈরম্বা থেংনখি।

লাইবক থীবদি এক্সিদেন্ট অদুদা ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা পাইলোট অমসুং কো-পাইলোট অনীমক লৈখিদ্রে হায়না কোলকত্তাদা আর্মিগী ইষ্টর্ন কম্মান্দনা ভিসিশিং অদুবু কনফার্ম তৌরদুনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

পি আর ও রাৱটকী মতুং ইন্না এক্সিদেন্ট অদু করম্না থোকখিবনো হায়বদু খঙদোক্লবা কোর্ট ওফ ইনক্কারি অমা ওর্দর তৌখ্রে।

আর্মি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা লোকেল ভিলেজরশিংনা কায়রবা হেলিকোপ্টর অদু মৈ চাক্লম্বা থেংনখি অমসুং মখোয়না পুলিসতা পাউ পীখি। নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা মফম অদুদা উবা ঙম্বগী চাং য়াম্না নেমখি। মসিনসু ক্রাস অদুগী মরম ওইবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লখি।

ওপরেস্নেল সোর্টি অমা পাঙথোক্লিবা টিতা হেলিকোপ্টর অদু শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯.১৫ তাবা মতমদা এয়র ট্রাফিক কন্ট্রোলগা পাউ ফাওনখিদবনি হায়রি।

# জি ২০ মিটকী মাঙওইননা নাগালেন্দগী দিপ্যুটি সিএমনা লম্বীগী থবকশিং রিভিয়ু তৌখ্রে

কোহিমা, মার্চ ১৬ (এজেন্সি):

লাক্লিবা এপ্রিল ৫ দা পাঙথোক্ক-দৌরিবা জি-২০ বিজিনেস সম্মিটকী য়েংদুনা নাগালেন্দগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা দিমাপুর-কোহিমা-কিসামা ফাওরিবা নেসনেল হায়ৱে পরিংগী হৌজিক পায়খৎলিবা থবকশিং রিভিয়ু তৌখ্রে।

প্রেস রিলিজ অমদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসনা হায়খি, মদুদি নেসনেল হায়ৱেগী পোর্টফোলিও পায়রিবা জেলিয়াংনা সিভিল সেক্রেটরিএটতা লৈবা মহাক্কী ওফিসল চেম্বরদা ষ্টেট পি দব্লিয়ু দি (এনঐচ, এন ঐচ আই দি সি এল) গী ওফিসলশিং অমদি মরী লৈনবা কন্ট্রেক্টরশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্কদবা অহানবা নেসনেল হায়ৱে দিপার্টমেন্টগী কোর্দিনেসন মীফম কৌখি।

মহাক্না নাগালেন্দদা মরু ওইরবা অসিগুম্বা ইভেন্ট অমা পাঙথোক্কদৌরিবদু য়েংদুনা হায়ৱে অদুবু শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অদু মওং মরিল তানা লোইশিনবগী মথৌ তাই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা দেলিগেটশিংনা সম্মিট অদুদা শরুক য়াগদৌরিবনি হায়না পল্লদুনা দিপ্যুটি সিএমনা দিপার্টমেন্ট অমদি রেস্পোন্সিবল এজেন্সিশিংদা শেমগৎ শাগৎপগী লোইশিন্দ্রিবা থবকশিংদা মপুং ফানা মীৎয়েং চঙনবা অমসুং মার্চ থা লোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা থবক লোইশিন্নবা তকশিনখি। পায়খৎলিবা থবক অদুদা মপুং ফাবা কো ওপরেসন পীগনি হায়না থাজবা পীরদুনা জেলিয়াংনা হায়খি, মদুদি এজেন্সি পুম্নমক্কী মরক্তা হেন্না নীংথিনা কো ওর্দিনেসন লৈহন্নবা মান্নবা মীফমশিং তোইনা কৌরগনি। মীফম অদুদা ৱার্ক্স এন্দ হাউজিংগী কম্মিস্নর অমসুং সেক্রেটরি কেশোনলু য়োহোমেনা হৌজিক পায়খৎলিবা থবকশিং অদুগী মরমদা শুগায়বা ৱারোল অমা পীখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি এজেন্সি পুম্নমক্তা মরু ওইবা থবক পুম্নমক কুমজা ২০২৩ গী মার্চ ২০ ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিন্নবগী টার্গেট খঙহনখ্রে।

# ৱাটচঅপতা ক্বেসন পেপর লুপা ৩০০০ ফাওবদা য়োনখি: দি জি পি

দিব্রুগর, মার্চ ১৬ (এজেন্সি):

ঐচ এস এল সি একজাম জেনরেল সাইন্স ক্বেসন পেপর লিক ওইবগী কেসতা অসাম পুলিসনা হৌজিক ফাওবদা মহৈরোয়শিং য়াওনা মীওই ২৫ ফারে হায়না দি জি পি জিপি সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা দিব্রুগরদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা দি জি পি সিংহনা হায়খি, মদুদি মীওই ২৫ দুগী মনুংদা ১২ ফারবা মতুংদা নুমিৎ হুম্নি পুলিস কষ্টদিদা থম্লগনি। অতৈ মীওই ১৩ চহী নৌরিবশিং ওইবনা জুবেনাইল জষ্টিস এক্টকী গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না ইন্টোগেসন চথে।

কেস অদুগা মরী লৈননা হৌখিবা নুমিদাং অথেংবদা পুলিসনা মীওই অহুম দিটেন তৌখি হায়না দি জি পিনা ফোঙদোকখি।

মখা তানা দি জি পি সিংহনা হায়খি, মদুদি কেস অদুগী এস্পেক্ট খুদিংমক সি আই দিনা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি। ৱাটচঅপ মেসেজশিংগী খুথাংদা ক্বেসন পেপর লিক ওইখিবদুদা মরোল মরিদগী মঙা ফাওবা লৈখি। লো এনফোর্সিং ওথোরিটিনা ওরিজিনেল ছোর্স অদু খঙনবগীদমক ৱাটচঅপকী ওথোরিটি কন্টেক্ট তৌখ্রে হায়নসু দি জি পিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা টেলিকোম সার্ভিস প্রোবাইদরশিংগা লোয়ননা টেক্নিকেল ভেরিফিকেসনসু পাঙথোক্লি। লুপা ১০০০ দগী ৩০০০ ফাওবগী ট্রাঞ্জেক্সন অয়াম্বা জি পে, পে টি এমনচিংবা ৱালেট এজেন্সি মরিগী খুথাংদা পাঙথোকখি।

ট্রাঞ্জেক্সনগী অকুপ্পশিং মুম্বাইদা লৈবা এজেন্সিশিং অদুগী হেদ ক্বার্টর্সতগী খঙহল্লক্লগনি। ফারবা নত্ত্রগা দিটেন তৌরিবা মীওইশিং নত্ত্রগা মহৈরোয়শিংদগী য়াম্না মরু ওইরিবা লংলা লংজিনশিং পুলিসনা ফঙলে।

ফাগদবা মীওই কয়াসু লৈরি। অথুবা মতমদা পুলিসনা মখোয়বু ফাবা ঙম্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেসন হৌখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*অসিদা অকায় অতোয় থোকহন্দনবা মীৎকুপ নাহুমশিংনা লৈখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংগী মায়কৈদগীসু মাঙজৌননা এগজামিনেসন সেন্টরশিংগী অকোয়বদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা খূৎলায় পায়বা অমসুং পায়দবা ষ্টেট পুলিস ফোসকী পর্সনেলশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেনবগী থবক চথখি।

পনবা য়াবদি, লালহৌলূপশিং ওইরিবা কে ৱাই কে এল অমসুং কে সী পিগী অপূনলূপ- অসুক্কী মায়কৈদগীসু এগজামিনেসন অসিবু নীংথিজনা পাঙথোক্লবগীদমক সেন্টরশিংগী অকোয়বগী মিটর ১০০গী এরিয়াদা পব্লিক কর্ফিয়ু মাঙজৌননা লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি।

লোয়ননা ঙসি ইংলিস সবজেক্ট থোকপা অহানবা নুমিৎতা মহুৎ শিন্দুনা এগজামিনেসন ফমহল্লম্বগীদমক মহৈরোয় অহুম তাহ্নোকখ্রে হায়না বোসেমগী এগজামিনেসন কন্ট্রোল্লরনা ফোঙদোরক্লি।

তাহ্নোকখ্রবা মহৈরোয়শিং অদুদি পল্লেলগী এম জি ইভরগ্রিন হায় স্কুলদগী রোল নম্বর ১৫৮৭৭ অমসুং ১৫৮৬০ অদুগা মফম অদুগী আইদিএল হায় স্কুলদগীনা রোল নম্বর ১৫৫৮২নি হায়রি।

নাকল অমরোমদা মণিপুর য়ুথ এন্দ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মায়কৈদগীসু ঙসি অহানবা নুমিৎতা য়ুনিয়ন অসিগী থৌমীশিংনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা এগজামিনেসন সেন্টর মঙাদা য়েংশিনবা চৎপদা সেন্টর খরদদি অরানবা মওংদা এগজামিনেসন পাঙথোক্লম্বা থেংনরে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা লূপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি য়ূমখাইবম মুখতার খংলাবুংনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি অহানবা নুমিৎতা লূপ অসিগী টিম অহুম্না লিলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ইস্লামিক ইংলিস স্কুল, খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুল, শঙ্গাইয়ূম্ফম হায় স্কুল অমদি ৱাংজিং হায় স্কুলগী সেন্টরশিং য়েংশিনখি।

মসিদা শঙ্গাইয়ূম্ফম হায় স্কুল অমদি ৱাংজিং হায় স্কুলগী সেন্টরদা মহৈরোয়শিংনা নোট তৌবগী মথক্তা টোইলেটতসু মাইক্রো নোট কয়া লৈরম্বা থেংনরকখি। খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সেন্টরদনা হেন্না ফীভম শোক্তুনা লৈরমখি। মরু ওইনা সেন্টর অসিদা খোংবাল চেনবগী মমি তাদুনা প্লাষ্টিক খাও মনুংদা অন্সর কয়া অমসু য়াওদুনা লৈরমখি। মরম অসিনা অসিগুম্বা সেন্টরশিং অসি লৈঙাক অমদি বোসেমগী মায়কৈদগী অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি।

# ৱাটচঅপতা... 

# অচা-অথক্কী লেভেলদা মীতৈ ময়েক্লা চাউনা...

*লামায় ১গী মখা...* মতুংইন্না ফ্লেক্স কাপ্লিবা ইচিল ইনাও খরদি মীলালগা য়ানখিবা ৱাফম্বু ঙাক্লা চৎলমদবগীদমক ঙরাং মীলাল ময়ায় লোয়শঙদা ফম্মিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নখিবগা লোয়ননা চয়োলসিগী মনুংদা মীতৈ ময়েক্লা চাওনা হাপ্পা হায়না য়ানখ্রে হায়রি।

মখোয়শিংদুদি আর কে এস নাগামপাল কংজাবী লৈরক, টি আর এস ৱাহেংবম লৈকায় থোং নম্বোনবী লোয়ননা বেনরদা ময়েক য়াওদনা মীয়ামদা এদভর্টাইজ তৌরম্বশিংনা হোরলিক্সকী এদভর্টাইজ তৌরম্বা বি সেন শর্ম্মা, কৈশামথোং, জি এম হোলদা হেন্দলুমগী এদভর্টাইজ তৌরম্বা এন ঐচ উশারানি, উরিপোক ইনর্জি ষ্টেসন (ওইল পম্প), উরিপোক্তা লৈবা রেনবো মার্টনি হায়রি।

লোয়ননা মখা তানা মীলালগী খোঙজং হেন্না কন্না চঙশিল্লগনি। তঙাইফদ্রবদি থৌরমগী বেনরদা ময়েক পীক্লা থাবা নৎত্রগা ময়েক হাপ্তুনা থৌরম পাঙথোক্লম্বা নৎত্রগা কাপ্লিল্লিবা মপুসু য়াওনা অথিংবা পীনবা ৱারেপ লৌরক্কনি হায়রি। মরমদি লমদমসিগী লোল, ময়েক চাওখৎহনসি হায়বদা য়াদবশিং অদুদি মীলালনা তরাইনা লৌদে। লোয়ননা অচা অথক্কী লেভেলদসু ময়েক্লা চাওনা থাব্রা হায়বদু য়েংশিনবা হৌরে। তঙাইফদনা অচা অথক য়োনবীরিবা ইচিল ইনাওশিংনসু ইশাগী ময়েক চাওখৎননবা হোৎনবদা তঙাইফদনা ময়েক্লা চাওনা হাপ্পীয়ু হায়রি। মীলালগী পান্দমদি লমদমসিগী অমত্তা ঙাইরবা মণিপুর লৈঙাক্লা লেপখ্রবা অমসুং গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তুনা হৌজিক এম এ য়ৌনা মহৈরোয়শিংনা তম্নরবা লোল অমদি ময়েক অসি মপূং ফানা চাওখৎহনবনি। মসিদা লমদমসিগী মীয়াম্না মীলালগী খোঙজংবু নুংশিবীদুনা মতেং পাংবীয়ু অমদি শৌগৎপীয়ু হায়রি।

# জৱা লমজাওদা খরশা লেপ্তনা হাৎলি...

*লামায় ১গী মখা...* খরশা অমোম অসি নোংম-নীনিগী মমাঙদা শাদানবগী নোংমৈনা পাল্লবা মতুংদা চেল্লক্লগা শিদুনা লৈবা ওইগনি হায়রি।

নোংমৈ মখোলদি তাখিদে। অদুম ওইনমক শাশিংসু শঙ্গু শঙ্গু চেনবা অমদি হুই শীজিন্নদুনা তান্নবগী মওংদি উবা ফংনখি হায়রি। নোংমৈ মখোল তাখিদবনা শাদানবশিংনা শা অসিবু হাৎনবা হোৎনবদা মখোল হৌদবা নোংমৈশিং শীজিন্নরৱা হায়বগী চিংনবগা লোয়ননা মখা তানা দ্রোন কেমেরা শীজিন্নদুনা য়েংলুবদসু ইরাপ লাপ্নদবা মফম অমদা খরশা লাবা অমসু শিরগা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি।

অদুম ওইনমক খরশা লাবা অদুদি মশা পুম্নমক পুমথরবনা মতৌ করম্না শিবনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি। হন্দক্কী য়াওশঙ হৌবা নুমিৎতসু শাদানবশিংদগী নাহ্নোক্তুনা চেল্লকপদগী শোক্লবা খরশা লাবা অমসু য়ুনিক ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন কম্মিটি অমদি ৱাইল্ড লাইফ ক্রাইম কন্ট্রোল ব্যুরোগী অপূনবা থৌমীশিংনা কনখ্রবনি হায়রি।

মসিগী মথক্তা খরশাশিংবু হাৎলবা মতুংদা শেমদোক্লবা শাদোংশিং পুখিবগী থৌদোকসু থোকখিবা লৈরিবনা মরী লৈনবশিংনা অকনবা মীৎয়েং চঙহৌদ্রবদি খরশা হায়রিবা শা মখল অসি মণিপুরদগী মূৎখিবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।



চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈবা কে সালেন্ফাই খুনদা থী হুম্বা চথবদা কানি কেজি ২.২১৬ অমদি পোপ্পি মরুনি চিংনবা কেজি ৪.৪০ গা কোন্ননা ফাগৎখিবা

## CROSSWORD-3815



**ACROSS**

7. Breed of dog(4,7)
8. Concerning teeth(6)
9. Unlucky accident(6)
10. Red wine from Bordeaux(6)
12. Colour of the spectrum(6)
13. Can(3)
14. Cotton fabric(6)
16. Weighing machine(6)
18. Ta(6)
20. Tone of voice(6)
22. Cutting down expenses(11)

**DOWN**

1. Woodwind instrument(4)
2. Northern Ireland(6)
3. Long dagger(8)
4. Baby carriage(4)
5. Failed to perceive(6)
6. Simple percussion instrument (8)
11. Tough(8)
12. Example(8)
15. Set alight(6)
17. Polar region(6)
19. Observed(4)
21. Nearly(4)

**Solution 3814**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | U | T | T | E | R | | C | R | E | C | H | E |
| A | | R | | A | | | | A | | R | | A |
| R | U | I | N | G | | M | A | D | N | E | S | S |
| B | | P | | L | | Y | | I | | E | | I |
| E | M | P | R | E | S | S | | A | M | P | L | E |
| R | | E | | | | T | | N | | | | R |
| | | R | E | A | L | I | S | T | I | C | | |
| S | | | | B | | F | | | | A | | H |
| C | O | V | E | Y | | I | G | N | O | B | L | E |
| R | | I | | S | | E | | A | | A | | L |
| A | S | S | U | M | E | D | | V | E | R | D | I |
| W | | I | | A | | | | V | | E | | U |
| L | I | T | T | L | E | | S | Y | S | T | E | M |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-5113**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | | |
| 7 | | | 3 | | 4 | 1 | | |
| | | | 1 | 7 | 2 | | 5 | |
| | 4 | 7 | | 2 | | 5 | | |
| | 6 | | 5 | | 1 | | 3 | |
| | | 5 | | 3 | | 9 | 2 | |
| | 9 | | 2 | 4 | 5 | | | |
| | | 1 | 6 | | 3 | | | 8 |
| | | | | | | | | |

**Solution-5112**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 1 | 6 | 9 | 3 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 5 | 4 | 3 | 1 | 7 | 2 | 8 | 9 | 6 |
| 9 | 2 | 7 | 4 | 8 | 6 | 5 | 3 | 1 |
| 6 | 3 | 4 | 2 | 5 | 7 | 9 | 1 | 8 |
| 1 | 9 | 2 | 8 | 6 | 4 | 3 | 7 | 5 |
| 7 | 8 | 5 | 3 | 9 | 1 | 6 | 2 | 4 |
| 4 | 5 | 1 | 6 | 2 | 3 | 7 | 8 | 9 |
| 2 | 7 | 9 | 5 | 4 | 8 | 1 | 6 | 3 |
| 3 | 6 | 8 | 7 | 1 | 9 | 4 | 5 | 2 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

**SAINIK SCHOOL GOALPARA RECRUITMENT 2023 FOR PGT (MATHEMATICS)**

Vacancy Circular No: -

Sainik School Goalpara PGT (Mathematics) Recruitment 2023 Advertisement for the post of PGT (Mathematics) in Sainik School Goalpara. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st March 2023. Candidates can check the latest Sainik School Goalpara Recruitment 2023 PGT (Mathematics) Vacancy 2023 details and apply online at the sainikschoolgoalpara.org/ recruitment 2023 page.
Sainik School Goalpara Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ sainikschoolgoalpara.org/. Sainik School Goalpara selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of sainikschoolgoalpara.org/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
PGT (Mathematics)
Job Location:
Rajapara, Goalpara, 783133 Assam
Last Date: 31st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification:
(a) Post Graduate in Mathematics with a recognized degree in education or possessing equivalent degrees from the Regional College of Education.
(b) Qualified CTET/STET.
Pay Scale:
INR
47600/- Per Month
Age Limit: 21-40 Years.
Application Fee: please refer to official notification.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Application is to be submitted on prescribed proforma with a recent passport-size photograph giving full address and resume with contact number (compulsory), along with attested copies of mark sheets, other testimonials, and a demand draft for Rs. 1000/- (nonrefundable) drawn in favor of "Principal, Sainik School, Goalpara" payable at State Bank of India, Mornoi (Code No.9148)" (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.42).
Important Dates:
Published on: 10th March 2023
Last date for application is: 31st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

**NORTHEAST FRONTIER RAILWAY RECRUITMENT 2023 FOR FEMALE DANCER, TABLA PLAYER**

Vacancy Circular No: 01/2023

Northeast Frontier Railway (NFR) Female Dancer, Tabla Player Recruitment 2023
Advertisement for the post of Female Dancer, Tabla Player in Northeast Frontier Railway (NFR). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 21st March 2023. Candidates can check the latest Northeast Frontier Railway (NFR) Recruitment 2023 Female Dancer, Tabla Player Vacancy 2023 details and apply online at the nfr.indianrailways.gov.in/ recruitment 2023 page.
Northeast Frontier Railway (NFR) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nfr.indianrailways.gov.in/. Northeast Frontier Railway (NFR) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of nfr.indianrailways.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Female Dancer, Tabla Player
Job Location:
Guwahati, Kamrup, 781011 Assam
Last Date: 21st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 02 Posts
Educational Qualification: Candidates Should have 12th (+ Stage) or its Equivalent Examination with not less than 50% Marks
Pay Scale:
INR
144200/- Per Month
Age Limit: 18-30 Years.
Application Fee:
For All Candidates - Rs.500/-.
SC / ST / Ex-Servicemen, PwBD, Women - Rs.250/-.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications should be sent to Northeast Frontier Railway (NFR) office. Send your fully filled applications to
Senior Personnel Officer (Recruitment)
Office of the Principal Chief Personnel Officer,
Northeast Frontier Railway HQ, Maligaon,
Guwahati - 781011 (Assam), India. (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.26).
Important Dates:
Published on: 8th March 2023
Last date for application is: 21st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

